# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 23-12-2025)

**জিরি (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিনদুনা থা অসিগী ১৯ দগী ২৫ ফাওবা চত্থগদবা প্রসাসন গাউ কি ঔর কেম্পেইনগী মনুং চন্না ঙসি জিলা থাক্কী ৱার্কশোপ কম নোংমগী ওইবা গ্রীভান্স রিদ্রেসেল কেম্প অমা ঙসি চিংদোং লৈকাইদা লৈবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদুদা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংগী বি.এল.ওশিং শরুক য়াখি। ৱার্কশোপ অদু দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা সুপরভাইস তৌখি। মদুদা জোনেল এদুকেসন ওফিস, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, হোর্টিকলচর অমসুং ভেটিরিনারি দিপার্টমেন্টনচিংবনা বিনিফিসরিশিংদা খুদোংচাবা কয়া ফংহনখি। হেলথ দিপার্টমেন্টনসু লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখি।

ককচিং জিলাগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিনদুনা গুদ গরভান্স ৱিক-২০২৫ কা মরী জিলা থাক্কী ৱার্কশোপ অমা দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পি. শান্তিকুমার সিংহনা হায়-কর্ম্মচারিশিংনা মশা মশাগী মথৌ মশক খঙনা অমসুং মীয়ামগী অপান্বগী মতুং ইন্না থবক তৌবা তঙাইফদে। ৱার্কশোপ অদুদা জিলা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস, জোনেল এদুকেসন ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী ওইবা প্রজেন্টেসন কয়াসু উৎখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিলা থাক্কী ৱার্কশোপ অমা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিনবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোননা শিনদুনা জিলা থাক্কী ৱার্কশোপ অমা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমদি অতৈ মরী লৈনবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অদুদা জিলা অসিগী এস.পি অমদি দিপ্যুতি কন্মিস্নার শরুক য়াখি।

**অয়ুসমান (এল)ঃ** ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন-মনিপুর (এ.বি.দি.এম) না শিন্দুনা ঙসি রাজ্য থাক্কী ৱার্কশোপ অমা অয়ুসমান ভারত দিজিতেল মিসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী হোতেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী নেসনেল হেলথ ওথোরিতি দাইরেক্তর-মশুদ উর রহমন ফুরুকিনা হায়-আয়ুসমান ভারত দিজিটেল মীসন অসিনা লৈবাক অসিদা অনা লায়েংগী লমদা মীয়ামদা দিজিটেলগী খুদোংচাবা কয়া পীরি। মীসন অসিনা দিজিটেল কুথাংদা অনা লায়েংগী লমদা থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা লৈরিবা অহোবশিং মেনশিনবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডাঃ এন. হেমন্তকুমার সিংহ অমসুং ফেলিমিল ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-ডাঃ নিংথৌজম বিনো সিংহ শরুক য়াখি।

**য়ুসিএম(এল)ঃ** চহি তরেৎ খুন্তাকখিবগী নীংশিং থৌরমগী মনুং চন্না মহারাজ গম্ভীর সিংহ অমদি নরসিংহগী নীংশিং ফম্বাক অমসুং মনিপুর লেভি ম্যুজিয়ম শঙ্গাবগী থৌরম অমা ঙসি অসামগী কছার জিলাগী মনুং চন্না লৈরিবা মনিপুর লেভি লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট-মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা মহারাজ

গম্ভীর সিংহ মেমোরিএল কমিতি-চন্দ্রপুর, মনিপুর য়ুথস ফ্রন্ট ওফ অসাম অমসুং অপুনবা খুঙ্গং মপান চাউখৎ লুপ-বাসকান্দিনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ৱাই.কে. ধিরেননা হায়-ঐখোয় মশেলগী মরক্তা কাংলুপ ফুরুপকী খেৎনবা খুদিংমক তোঙাননা থমখ্রগা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনদ্রবদি মনিপুর কনবা ঙমলোই। চহি তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা ইনিংথৌ গম্ভী সিংহ অমদি নরসিংহনা অমুক হন্না অৱাগী মখুৎতগী লৈবাক অসিগী নীংতম্বা লৌশিনবা ঙমখি। মহাকা হায়-ঙসি খুন্নাই অসিনা অৱাবা তারবা তাঙ্কক অসিদা অদুগুম্লবা থৌনা ফুদোকপা য়ামমক তঙাইফদে।

**কিষান (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি কিষান দিবস কম নেসনেল মসরুম ডে পাঙথোকখ্রে। পালন অসিগী কুমশিগী হিরমদি মসরুম এজ ফঙ্কসনেল ফুডস হায়বসিনি।

লম্ফেপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর মনিপুর সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসন বিভাগকী দাইরেক্তর-কে. দেবদত্তা শর্ম্মনা হায়-রাজ্য অসিদা চেংগুম থাবা অমদি পুথোকপগা থবকশিং পাক শন্না চথরক্লি। অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা চহি চুপ্পা চেংগুমগী পোৎথোকশিং পুথোকপনা রাজ্য অসিদা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগা লোয়ননা মাঙহনগদবা চরুশিং কান্নবা মওংদা ওন্থোকপা ঙমলে।

থৌরম অদুদা, সেন্ত্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতি-ইম্ফালগী কলেজ ওফ ফুদ টেকোলোজিগী দিন-ডা: এন.জি. ইবোয়াইমা, সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্ড রিজনেল সেরিকলচর রিছার্স ষ্টেসন ইম্ফালগী হেদ ডা: সিনাম সুভারানি অমসুং আই.সি.এ.আর. মনিপুর সেন্টরগী হেদ ওফ রিজনেল সেন্টর-ডা: সি.ঐচ. বাশুদা দেবী শরুক য়াখি।

থৌরম অসি আই.সি.এ.আর. রিছার্স সেন্টর ফোর নোর্থ ইষ্ট রিজন-

মনিপুর সেন্টর অমসুং চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, তমেংলোং অমসুং উখ্রুলগী আই.সি.এ.আর ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইগজিবিসন অদুদা স্তোল ৩৮ হাংখি।

**মেলা (এল)ঃ** ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার-২০২৫, ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালদা হয়েং লোয়শিল্লগনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার-ঐচ. গ্যানপ্রকাশ শরুক য়াগনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ারগী রিপোর্ট পুথোকপা, নাইকী ওইবা থৌরমশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা চাংদমবা কয়াদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকনি।

নুমিৎ তরানি চুপা চথরকপা মেলা অসিগী ঙসি ৯ নি চনবা নুমীৎতসু ফঙ্কসনিং ওফ এন.জি.ও-ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন রন পাব্লিক লাইব্রেরিজ হায়বা হিরমদা কেপাসিতি বিল্ডিংগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

**জিপিএফ(এল)ঃ** প্রিন্সিপাল একাউন্টেন জেনরেল-মনিপুরনা ওন লাইন জি.পি.এফ. ইনর্ফোমেসনশিং টু পোইন্ট জিরো ঙসি হৌদোকখ্রে।

পোরটেল অসি প্রিন্সিপাল একাউন্টেন জেনরেল-অথিখো চলাই অমসুং এন.আই.সি. মনিপুরগী ষ্টেট ইনর্ফোমেটিক্স-ও. বিনোদ সিংহ অমসুং এন.আই.সিগী দাইরেক্তর (আই.টি)-ও. তোম্বী সিংহ শরুক য়াখি। পোরটেল অসিনা মনিপুরগী দিজিটেল ফাইনান্সিয়েল গভরনান্সতা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**কংলৈপাকঃ** জোইন্ট কমিতি ওপোজিং দিলিমিটেসন এক্সরসাইজ ইন মনিপুর (কংলৈপাক) না হায়রি-ভারত সরকারনা লৈবাক পুম্নগী ওইনা মথং চহিগী এপ্রিলদগী মীকোক থিগনি হায়রবসু মনিপুরগী ওইনদি এন.আর.সি. হান্না তৌরবা মতুংদা পাঙথোক্কদবনি।

**দ্রাফট (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দাইরেক্তোরেটনা দা মনিপুর অনন্দ মেরিএজ রেজিষ্ট্রেসন রুলস ২০২৫ গী দ্রাফট-২০২৫, কোপি নোটিফাই তৌদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱেব সাইটতা থাগৎলে। মীয়ামনা সজেসন, ভিয়ু অমসুং ফিটবেক থারকপা য়াগনি। মদু মথং চহিগী জানুৱারী তরুক ফাওবদা দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্তরদা য়ৌহল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই) না ককচিং ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসতা ই-রিক্সো অমা খুৎশিন্নখ্রে।

এস.পি. ওফিস কমপ্লেক্স ককচিংদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী এস.পি. প্রিয়া দাসিনি লাইশ্রম, এস.বি.আইগী চীফ মেনেজর, রিজনেল বিজিনেস ওফিসকী চীফ মেনেজরনচিংবা শরুক য়াখি।

**কোসেম (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন-মনিপুরগী কন্ট্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন ফমগীদমক দরখাষ্ট থাবগী মতম চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে। মসিগী মতাংদা সেক্রেটরিয়েট এদুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতি অমসুং অমত্তা ওইবা অমদি অপুনবা শক্তম ঙাকপদা ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো (আই.বি) না শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি।

ন্য দিল্লিদা ঙসি ৩৮ লক শুবা ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো সেন্টিনারি ইন্দোমেন্ট লেকচর পীবদা রাস্ত্রপতিনা হায়-হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা আই.বিগুম্বা এজেন্সিশিংনা লৈবাক মনুংগী ওইবা শিংনরকপা কয়া মাঙহনবা ঙমখি। আই.বি. অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামদি উদবা হিরোজনি হায়না রাস্ত্রপতিনা থাগৎখি।

**ভিপিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-হীরম খুদিংমক পুন্না চাউখৎমিন্ননবা অমসুং লৈবাক অসিবু অনৌবা মওংদা শেমদোকবা হোৎনবদা ভারতনসু মালেমগী ওইনা থৌশিল শেম শাবা অমসুং আর্টিফিএলশিংগী মীসনশিংদা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরক্কি।

ন্যু দিল্লিদা এ.আই. ইভোলুসন-মহা কুম্বা ওফ এ.আই. এ.আইগী জাতি থাক্কী মীফমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-এ.আই.সি স্কুল অমসুং কলেজশিংগী করিকুল্যম শরুক অমা ওইহনগদবনি।

**কম্মিসনঃ** মধ্য প্রদেসকী বিধান সভা কেন্দ্র ২৩০ মক্কী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংলে। স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিয়ু তৌরবা মতুংদা দ্রাফট অসি ফোংবনি।

লিষ্ট অসিদা য়াওদবা ভোটরশিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং উৎলগা ৱাকৎপা য়াগনি। মথং থাগী ২২ ফাওবা ৱাকৎশিং লৌগনি। ফাইনেল ভোটর লিষ্টশিং মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ২১ দা ফোংগনি।

কেরলা, ছাতিসগর অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর ইথৎকী দ্রাফট ভোটর লিষ্ট ঙসি ফোংলে। চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার (সি.ই.ও) শিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার (দি.ই.ও) শিংনা নমথোক্লবা দ্রাফট ভোটর লিষ্টশিং শকখঙলবা রাজনিতি দলশিংদা পীগনি। দ্রাফট রোল অসি সি.ই.ও. অমসুং সি.ই.ওশিংগী ৱেব সাইটতসু ফংগনি।

অমরোমদা, নোংচুপ বেঙ্গোলদা হৌজিক চগ্থরিবা এস.আই.আর. কয়া য়ামা খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কম্মিসনগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি কোলকাতাদা থুংখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদু কম্মিসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-এস.বি. যোসি অমসুং দিপ্যুতি সেক্রেটরি-অভিনব অগরৱালনা লুচিংলি।

হৌজিক চগ্থরিবা স্পিসিএও ইনটেন্সিব রিভিয়ুগী অহানবা হিয়ারিংদা

অনমেপ ভোটর লাখ ৩২ কোনশিনগনি।

**চৌহানঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-ভিক্সিত ভারত জি রাম জি স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি লাখ অমা মখায় কায়থোকবা প্রস্তাব তৌরি। মসি খুঙ্গংশিংবু মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা অমসুং থবক ফংহনবদা থাদনবা শেনফমনি। ভিদিওগী খুত্থাংদা পীবা পাউজেল অমদা মন্ত্রিনা হায়-শিন্মীশিংদা হৌজিক্তি নুমিৎ ১০০ নিগা মহুৎতা নুমিৎ ১২৫ নি থবক শোয়দনা পীরগনি।

মহাকা হায়-এম.জি. নরেগাগী মিংদা লৈবাক অসিবু লান্না লমজিংনবা অতমনা অমুক্কসু হোৎনরক্লি। মহাকা হায়-স্কিম অসি এম.জি. নরেগাদগী হেন্না খুমাং চাউশিনবা স্কিমনি।

**ডেঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি জাতিগী লৌমীশিংগী নুমিৎ পালন তৌরি। নুমিৎ অসি লৌমীশিংনা লৈবাক অসি শেমগৎপা অমসুং চাউখৎহনবদা লৌরিবা থৌদাংবু ইকাই খুমদুনা পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসি হান্নগী প্রধান মন্ত্রি চৌধুরি চরন সিংহগী মপোক নুমিৎ নিংশিংবা ওইনা পাঙথোকপনি।

অমরোমদা, হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ভারত রতা চৌধুরি চরন সিংহগী মপোক নুমিত্তা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎলি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-চৌধুরি চরন সিংহনা খুন্নাইগী শোত্থহৌরবা কাংলুপশিংগী য়াইফনবগীদমক অমসুং লৌউ শিংউ খুমাং চাউশিলহন্নবা অমদি লৌমীশিংগী নুঙাই য়াইফনবা হোৎনবদা মপুনসি কৎখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-তৌবিমল খঙলবা জাতি অসিনা লৈবাক অসি শেমগৎপদা মহাকা লৌরন্বা থৌদাং অদু কৈদৌঙৈদসু কাউরোই।

**ইদিঃ** বিজিনেসমেন-রোবার্ট ভদ্রা অমসুং অতৈ মীওই খরগী মথক্তা

ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা থাংগৎলকপা ব্রাকৎ অমা কোগনিসন পীনবগী হিয়ারিং দিল্লিগী কোর্ট অমনা য়ৈথোকখ্রে। কেস অসি গুরুগ্রামগী সিকোপুর খুঙ্গংদা ইং কুমজা ২০০৮ দা লম লৈবদগী নারোন্দা শেল থৈদোকখিবগা মরী লৈনবনি।

রাউস এভিন্যু কোর্টনা ইনর্ফোমেন্ট দাইরেক্তোরেটকী ব্রাকৎ অদু লাক্লিবা জানুৱারী ২২ দা ওইনা খন্নরগনি।

অমরোমদা, নাংচুপ বেঙ্গোলদা চংখরিবা ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিয়ু (এস.আই.আর) গী মখাদা অনমেপ ভোটর লাখ ৩২ অহানবা তাঙ্কক্কী হিয়ারিংগীদমক কৌখৎলগনি। সি.ই.ওগী ওফিসিএলশিংনা হায়-তাঙ্কক অসিগী ইন্যুমরেসন তৌবদা রাজ্য শিনবা থুংবগী ওইনা অনমেপ ভোটর লাখ ৩১ লিশিং ৬৮,৪২৪ থেংনখি।

**দিল্লিঃ** লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি অমসুং এন.সি.আর. রিজনদা লৈচিল কুংনা থাবনা মরম ওইরগা ফ্লাইট অমদি রেলগাড়ি সার্ভিসশিংদা অকায়বা থোকখি। দিল্লি ইয়ারপোর্টকী পাউ মতুং ইন্না ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী পাইগদবা এরোপ্লেন ১০ কেন্সেল তৌখি। অদুগা ইন্দিয়ান রেলৱেকী দিল্লি দিভিজননা হায়-রেলাগাড়ি ৫০ পুং তরুকরোম থেংথনা চেনখি।

**শ্রীলঙ্কাঃ** সমুদ্রগী নোংলৈ নুংশিৎ-দিতৱানা শোকহল্লবা শ্রীলঙ্কাগী মফমশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎপদা মতেং ওইনবা ভারতনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৫০ পীরগনি।

কলম্বোদা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। মহাকা হায়-শেনফম অসিদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৫০ না শেন্দোই পীকপা লাইন ওফ ক্রেদিটনি অদুগা মিল্লিয়ন ১০০ না গ্রান্টনি।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসনন‌া শিনদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নারসা খা ইম্ফালনা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্না ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন-১৪৬ তা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা অল-অমিন লিলোংবু রন-১২ থোইখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-ওস্কার পাউনা বজারনা কে.সি.দি.ও. কোংপালবু ৱিকেট অহুমদা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা-নপসা খা ইম্ফালনা কে.আই.ৱাই.সি. ক্ষেত্রিগাউবু রন-৯৭ দা থোইখ্রে।